থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# থাবল ফাওবা চোংখিদ্রগা করিগী ধর্ম্মগী মীফম?

শকউদবা মহীক অমনা মীওইবা খুন্নাইদা লান্দারক্তুনা অকিবই মশক ওইরবা লানফম অমগী মশক লৌরক্লিবসি, লৈবাক অমগা অমগা মূক্নরকপদগী মীচং খোম্নদুনা শোক্লবা, মিলিটরিগী লান ওইরম্লবা, মালেম অসি পুন্নাং লাং, মথোঙ মরম খঙদবা, নুংশিবা মশক মাঙখ্রবা, ঈনা-পূমঙাং ঙাংলবা মালেম অমা ওইরমনি। ঙসিসু লেপ্তুনা শিরিবা (মশীংদুদি পারগুমসি), তুংদসু লেপ্তুনা শিরকখিদৌরিবা, কোরোনাভাইরসকী লান অসি, কনানসু তানীংদবা তাদবদি য়াদবা ৱারী অমগুম্বনি। মালেমগী লৈবাক চনিগী মথক্তা থোক্লিবা লাইচৎ অসিগী পাউ নত্তবা অমা, মমাঙঙৈগী মতৌগুম, তমগে খন্না ফমথরুবা, কোকসিদা পাইশিল্লকই খল্লোই খল্লুবা ৱাখলসি হেক্তা। ফম্লে, চৎলে, তূম্লে - মহিশুরদা মহৈ তম্লিবী, য়ূমদা থোরক্লবা এরোপ্লেন টিকেৎ কক্লুরগা এয়র সর্ভিস লেপখিদুনা থোরকপা য়াদ' লৈরিবী ইচানুপী অমদি মমান্নবীশিংগী ৱাখলদুতনি খল্লিবা। মখোয়খক্তা নত্তে, অতোপ্পা সহর কয়াদা, লায়নাসিনা শোকহল্লবা ষ্টেট কয়াদা লৈরিবা লমদমসিগী মহৈরোয়শিং, লাই খুরুম্বা (তির্থ) চৎখিবা হনুবা-হনুবীশিং, য়ুমদা হল্লকপা য়াদনা লৈরিবশিং - মখোয় পুম্নমক পুরকপা তারবা অমুক্তদা, মখোয়বু ক্বারান্টাইন তৌদুনা থম্নবা সেন্টর মতিক চানা লৈরবা জাৎলা? কয়ামুক চুম্বা পাউনো হায়বদুদি খঙদে, শুম হায়নরকপনি - হৌজিক চথরিবা লোকদাউন মতমসি হেক লোইবগা ময়ূম-ময়ূমদা পাংলক্লবগীদমক শেম-শারিবা মহৈরোয় মশীং ১৫,০০০গী মথক্তনি। এপ্রিল ১৪, লোকদাউন মতম হেক লোইবগা থোরক্লবা এয়র-টিকেট কক্লখরে। মতমসি অমুক শাংদোক্লবদি কমদৌবা! অতোপ্পা লাংতক্লবা অমনি। ইন ওল প্রোবেবিলিটি, স্পেসল এরেঞ্জমেন্ট অমা তৌদুনা পুথোরক্লে খল্লগা মখোয়বু 'সিদা নুমিৎ তরামরিনি থমদৌরিবা ক্বারান্টাইন সেন্টরদুগী খল্লুবদা অতোপ্পা অৱাবা অমনি কোকসিদা হাপচিল্লক্লিবা।

চাইনাগী হুবৈ প্রোভিন্সকী ৱুহান সহরদগী হৌরকখিবা লায়নাসি চাইনাগী অতোপ্পা প্রোভিন্স অমদি সহরশিংদা করম্না, অদুক হাক্লা পাক্লা শন্না শন্দোরকপা ঙমখিদ্রগা মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদা অসুক তমথীবা শক্লোন অমা লৌরক্লিবনো- হায়বসিগী মতাংদা ৱাখলনা শাগৎপা/শেমজিন-শাজিনবা ৱারী কয়া সোসল মিদিয়াগী খূত্থাংদা তাবা ফংলি, ঙাঙনরি। ৱারীশিংদুই মনুংদা খ্বাইদই মরু ওইবদি - 'ভাইরস অসি চাইনাগী লেবোরেটরি অমদা শেমগৎখিবা, মীনা শাবা (মেন-মেদ) ভাইরস অমনি' হায়বা ৱা অসিনি। ৱাফম অসি খ্বাইদই তমথীনা শোক্লিবা অমেরিকা অমদি য়ুরোপিয়ন নেসনশিংনদি য়াদে। ঙসিগী লুরবা তানফমসিদা, অসিগুম্বা য়ূম্ফম য়াওদবা থিওরি কয়া শাগৎতুনা, লৈবাক অমগা অমগা কো-ওপরেসন পীনবগী মহুত্তা য়েক্লবা (এনমিটি) শাগৎকদবা মতম নত্তে, লায়না অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদুনা মরুনি। হৌজিক, মালেম অসি ওন্থোকপা ফীভম অমদনি লৈরিবা। কোভিদ-১৯ পান্দেমিক অসি লাকশিনখ্রবা মতুংদা লাক্কদৌরিবা সোসল অমদি ইকনমিক ওর্দর-পূমনৌ নৌবা অমনি। অমেরিকা মথন্তনা সুপর পাৱর অমা ওইনা, পূম্নমক্কী মথক্তা লৈরম্বদু লৈররোই... স্পেকুলেসন অমনি। য়েংবা তারি। অমেরিকাদি হৌজিক 'কোভিদ-১৯' কন্ট্রোল তৌনবা ভেক্সিন পুথোক্লবা অমদি নোংমগী লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা শিবগী মশীং হন্থহন্নবা হোৎনবদা পূক্লিং চঙলি। ভেক্সিন অমদি পুথোক্লে তায়, উচিদা চাংয়েং তৌরে, মীওইবদা তৌবা চাংয়েংগী ফল ফংবদা থা অনী চঙখিনি। থা অনীসিদদি মীওইবা লাক্ষ কয়া শিখিগনি।

ৱুহান'দগী করম্না, ভাইরস'সিনা মালেম শিন্না কোয়খিবা - অতেনবা ৱারী মচা অমখক ইনীংলক্তুনা কলম পায়খৎলুবনি। চাইনাগী ৱারী তাবদা য়ূমলোন্নবা মঙ্গোলিয়া (শাংলবা মাইল ২৮৭৭ চাইনাগা লম তাইনরিবা) গী ঙমখৈ থিংজিনখি। লায়না অসি খা কোরিয়া অমসুং জপান্দসু য়ৌরক্লে তাবদা লম অনীসিগসু চথোক-চৎশিন তৌনখিদে। অদুবু, কোভিদ ১৯ মঙ্গোলিয়া'দা পুরকখি ফ্রান্স মচা অমনা রসিয়াগী মোস্কো ফাওরগা। খা অফ্রিকা'গী অহানবা অনাবা, ইটালিদা 'স্কিয়িং' শান্নবা চৎলুবা মী অমননি। খা অমেরিকাগী অহানবা পেসেন্ট'তুসু ইটালি'দা লমকোয়বা চৎলুবনি। ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশকী অহানবা কোভিদ-১৯ কেসতুসু ইটালিদগী হল্লকখিবা মীওইনি। পানামাদা য়ৌরকখিবনা স্পেনগী খূত্থাংদা। ইটালি অমসুং স্পেন'দা লাক্লবা ঙমদ' শন্দোকখিবনা 'মিলান'দা শান্নখিবা মী ৪৫০০ রোম য়েংখিবা ফুটবোল মেচ অমগী মতুংদা। নাইজেরিয়া অমসুং জোর্দানগী লল্লোনবশিংনা ইটালিদা চৎলুবদই লমদমদুদা পুরকখিবনি। ইটালিদা য়ৌরকখিবনা ৱুহান সহরগা ইটালিগী 'ফেসন ইন্দষ্ট্রি'গী মশীং য়াম্লবা শিন্মীশিংদুননি। লাইচৎ থোক্লে খঙলবমক্তদা 'ঐখোয়দি মেদিকেল সাইন্সতা চাওখৎলবা লমদমনি' হায়বা ফোঙদোক্তবা নাপন'দুনা থওইরুদবা। 'ইটালি' না হৌফম ওইরগা শন্দোকখিবা লৈবাক্লা ৪৬ ওইবদা চাইনাদগী শন্দোকখিব'না শুপ্নগী লৈবাক ২৭ খক। চাইনা'গী 'হুবৈ' প্রোভিন্স'তা অনাবা ৫০০ য়ৌরকপদা (জন্যুৱারী ২৩) এয়র, ত্রেন অমদি বস সর্ভিস পূমলেপ লেপ, চাইনাগী অতৈ মফমশিংগা শম্নখিদে। ইটালি' গী এয়রপোর্ট থিংজিনখিবদি শুপ্নগী মার্চ তারিখ ১৬তনি, অনাবা মী ৩৭০০ লৈরব'তুং! ঙসিদি করি ওইরবা? পূম্ন মক্লা খঙবীরে। অমেরিকা, য়ু কে অমদি য়ুরোপকী ফীভমসু অদুমক্লি। হৌজিক্তি, অমদগী অমদা পাক্লা শন্না শন্দোকখিদুনা কোভিদ-১৯-ভাইরস'না য়ৌদবা মফম লৈরক্ত্রে'বু হায়বা য়াই।

অসিগুম্বা তানফমসিদা, মণিপুরগুম্বা থাবল'দা ঙাওজবা, হায়ন-তান' ইনখিদ্রবা লমসিদফাও' মী পূনবা য়াদে হায়দুনা থাবল চোংহনখিদ্র'কানদুদা দিল্লিগী নিজাম্মুদ্দিন মর্কজ'দা মী লিশীংনা খুজিং ওইদুনা ধর্ম্মই মীফম পাঙথোকহনখিবা দিল্লি-পুলিসশিংদু হান্না মনম'দা লীচৈ শান্থগদবনি। করি শারে হৌজিক্তি? মীফমদুদা য়াওরুবা মখোয়না হেনগৎহল্লকপা কোভিদ-১৯ কেস মশীং-মালেম শেগাক কায়র'মক্তদা 'তবলিঘি - জমাৎকী ৱাঙাঙলোয়শিংনা নেসনল ন্যুজ মিদিয়াদা ঙাঙলিবা ৱা! মহারাষ্ট্র নির্মান সঙ্ঘ (এম এন এস) কী রাজ থাক্করে'না হায়রক্লেদনা ... 'তবলিঘি জমাৎ'কী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা অনাবশিং লায়েংলোইদবনি, নোংমৈনা কাপ্তুনা হাত্তোক্কদবনি'...। ৱাহায়সিবু মখোয় তাবা ঙল্লিগদ্রা! অরানবা অমা তৌরুরগা 'লাল্লে' হায়বা ঙম্বদুসু মুহম্মদ'কী পাউজেল থাজবশিংদুগী 'ইমান' অমা নত্তবরা?

লৌশিং পুক্কে

# 'নুংশিবা'না ব্রেনদা করি তৌবগে?-১



মীওইবগী ৱাখলদা ফাওরকপা ইথিলগী মতুংইন্নদি নুংশিবা হায়বসি থম্মোয়গী ওইবা পোৎশক অমনি। অদুমওইনমক, নুংশিবা হায়বা পোৎশক অসিনা মরুওইনা এফেক্ট তৌরিবা হকচাংগী ওর্গানদি ব্রেনদনি। ব্রেনগী করম্বা মফমদা নুংশিবা হায়বসি লৈবগে, অমদি মসিনা ঐখোয়গী পুক্নীং অমদি হকচাংদা করি তৌবগে হায়বদু কাঙলোন (সাইন্স) গী মতুংইন্না নৈনমিন্নসি।

পুক্নীংদা তনীক তনীকপা ফাওবা, নুংশিবা মীশক অমনা ইনাক্তা নক্লা লৈবা মতমদা ৱাখল অমদি হকচাংদা ফাওবা হায়ফম খঙদনা নুংওনবা। নুংশিবা মীশক্তুগী মনাক্তদা লৈনিংবগী অপাম্বা। হায়রিবা ইথিল ময়াম অসি নুংশিবা মশক খঙলবা মীওইশিংনা থেংনরবা ঙাক্তনি।

অদুমওইনমক, নুংশিবা হায়রিবা অসিমক য়াম্না চাউবা অঙকপা অমা ওইরি। ঐখোয়না কনাগুম্বা অমা নুংশিবা ফাওরুরিবা করিগীনো? ঐখোয়না কনাগুম্বা মীওই অমদা নুংশিদুনা লৈরিবা করিগীনো, অদুগা হান্না নুংশিরম্বা মীওই অমবু অমুক নুংশিরক্ত্রিবা অসি করিনা থোকহনবনো?

ৱাহং ময়াম অসিগী মনুংদা খরদি পাউখুম ফংদনা লৈরি, অমদি তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াগী রিসার্চরশিংনা নুংশিবগী মরমদা মমুৎ তানা খঙনবা হোৎনবা লেপত্রি।

নুংশিবা হায়বা অসি ব্রেনদা করম্না এক্সপ্রেস তৌবগে অমদি করম্না ঐখোয়দা নুংশিবা ফাওরক্লিবনো হায়বা য়াওনা নুংশিবগী মেকানিকশিং খঙনবগীদমক সাইন্টিষ্টশিংনা চহী কয়াগী মমাঙদগী হৌজিকফাওবা লেপ্তুনা হোৎনদুনা লাক্লি।

ঐখোয়না অসিগুম্লবা মীওইবগী হকচিনবা এক্সপিরিয়ন্স অসিগী মরমদা লোইনমক খঙবা ঙমদ্রবসু, মসিগী ন্যুরোবাইওলোজিকেলগী ওইবা ৱাফমখক ওইরবসু ঐখোয়দা অফবা পোইন্টর খরদি লৈ।

নুংশিবা হায়বসি ব্রেনগী করম্বা মফমদা লৈবগে?

মসি সাইন্টিষ্টশিংনা পাউখুম থিরিবা খ্বাইদগী মরুওইবা ৱাহংনি।

কুমজা ২০০০দা য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি কোলেজ লন্দনগী প্রো. সেমির জেকি অমসুং এন্দ্রিয়াস বার্টেলসনা খঙবা ঙম্নবা হোৎনখি। মখোয় অনীনা থম্মোয় শেংনা নুংশিবদা লূপ্লিবা মশাগী চহী ২১ দগী ৩৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মশা-মউ ফবা নুপা অমসুং নুপী ভলন্টিয়র পুন্না ১৭তা ষ্টদি অমা তৌখি।

মখোয়গী ষ্টদি অদুগী ফাইন্দিংশিং অদু ন্যুরো রিপোর্ট কৌবা জর্নেল অমদা ফোঙলকখিবনি। ষ্টদি অদুদা ভলন্টিয়রশিং অদুনা মখোয়না নুংশিজবা মীওইশিং অদুগী ইমেজশিং য়েংলিঙৈ মতমদা প্রো. জেকি অমদি বার্টেলসনা ভলন্টিয়রশিং অদুগী ব্রেন স্কেন তৌরম্মী।

স্কেন অদুদা উবা ফংখি মদুদি পার্টিসিপেন্টশিং অদুনা মখোয়না নুংশিজরিবা মীশক অদুগী মায়থোঙদা য়েংবা মতমদা ব্রেনগী অকক্লবা মফম খরদা মঙাল অমা ফাওরকখি। মফমশিং অদুদি মেদিয়ল ইন্সুলা, এন্টিরিয়র সিঙ্গুলেট কোর্টেক্স, অমদি দোর্সেল ষ্ট্রাটমগী সেগমেন্টশিংনি।

অদুমওইনমক, হায়রিবা মতম অসিদা মথৌ তৌবা লেপখিবা (দিএক্টিভেট তৌখিবা) ব্রেনগী মফম খরসু য়াওরম্মী। হায়রিবা মফমশিং অদুদি য়েৎ থংবা প্রিফ্রোন্টেল কোর্টেক্ট, বাইলেটরেল পেরিয়টেল কোর্টেক্ট অমদি টেম্পোরেল কোর্টিসেসকী মফমশিংনি।

মখা তানা রিসার্চ তৌবদা ব্রেনদা হেন্না কমপ্লেক্স ওইবা রোমান্টিক লবকী পিকচর অমা উবা ফংখি।

নুরোকোগ্নিসন ওফ রোমান্টিক লবকী এক্সপার্টসু ওইরিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ মিসোরি-শেন্ট লুইসতা বিহেবিয়রেল ন্যুরোসাইন্সকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর সান্দ্রা লেঞ্জস্লাগনা হায়, 'নুংশিবা' হায়বসি ব্রেনগী তোঙান তোঙানবা রিজনশিং অমদি হোর্মোনশিং অমসুং ন্যুরোট্রান্সমিটরশিংগা মরী লৈনবা য়াম্না কমপ্লেক্স ওইবা প্রোসেস অমনি।

মীওইবনা অতোপ্পা মীওইশিংদা য়েংবদগীদি মখোয়না নুংশিজরিবা মীশক অদুদা য়েংবা মতমদনা হেন্না এক্টিব ওইবা ব্রেনগী রিজন কয়ামরুম লৈ। অদুবু মসিগী মথক্তা, ঐখোয়না নুংশিজবা মীশক অদুদা য়েংবা মতমদা হায়রিবা ব্রেনগী রিজনশিং অতোপ্পা করি তৌবগে হায়বদুদি খঙদে। মসিগীসু মথক্তা ঐখোয়না নুংশিবা অমত্তা লৈতবা মতমগা চাংদম্নবদা ঐখোয়না কনাগুম্বা মীওই অমা নুংশিরিঙৈ মতমদা হায়রিবা ব্রেনগী রিজনশিং অসি হেন্না এক্টিব ওইবরা হায়বদুসু খঙবা ঙমদ্রি হায়না লেঞ্জস্লাগনা মখা তারি।

ব্রেনদা য়াওবা নুংশিবগী মেপ্পিং অসি কমপ্লেক্স ওইবা মরম্না ইমোসনগা মরী লৈনবা ব্রেনগী এরিয়াশিংগী মনুংদা অমদা অশোক-অপন য়াওরবসু মদুনা মীওই অমবু নুংশিবা ফাওহন্দবদি ঙমদবা য়াই।

মরমদি নুংশিবগা মরী লৈনবা ব্রেনগী রিজনশিং, ন্যুরোট্রান্সমিট্টরশিং অমদি হোর্মোনশিংনচিংবা ময়াম অমা লৈ, ব্রেনগী অকক্লবা মফম অমদা অশোক-অপন য়াওবদগী নুংশিবগী লমদা শোকহনবা হায়বসি ওইরোইদবা অমনি হায়নসু মহাক্লা মখা তারি।

## ময়াই কাবা য়োল্লিবশিং য়েংশিনবীয়ু : লূপ

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস):

লৈকায়শিংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োল্লিবশিং য়েংশিনবীয়ু হায়না নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী সেক্রেটরি এম রাধামনিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মালেমগী ওইনা কিনরিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা য়ুম-য়ুমদগী মপান থোক্তনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরক্লি। মীওই খরনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবা অমসুং চাবা লোয়ননা য়ুম খরদা মী পুনশিল্লগা জ্বার শান্নরিবসি করম্বা ৱাখলনো। মসি খুদক্তগী লেপ্পীয়ু। লমদমসিগী ইমাশিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা খোল্লাও কয়া লাউদুনা লাক্লি। লমদমসিদা লৈরিবা ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংনা মাগী মাগী লৈকায়শিংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োল্লিবা, জ্বার শান্নরিবা কয়া অসি য়েংশিনবীয়ু। লূপ অসিনসু অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি। মসিদা থোক্লকপা অফ-ফত্তা পুম্নমক মশা-মশানা পুজগদবনি।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবশিং অমসুং জ্বার শান্নরিবশিং য়েংদুনা লৈরোই। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু পুলিসশিংনসু হীরম অসিদা মীৎয়েং চঙবীয়ু। লৈঙাক্লা লৌরক্লিবা খোঙথাং অমদি ডোক্তর, নর্সশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মীওইবগী পুন্সি কন্নবা হোৎনরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## চেঙ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস):

তাংজেং অহল্লুপ য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না হৌজিক কোরোনা-ভাইরসনা মরম ওইরগা অৱাবা তারিবা কয়া অসি য়েংলগা লৈঙাক্লা য়েল্লিবা চেঙ ফংহৌদবা ইমুংশিংদা চেঙ অমদি মাস্ক য়েন্থোকখ্রে।

লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা খ্বাইদগী মরুওইবদি য়ুমদগী মপান থোক্তবা অমদি সোসল দিটেন্সিং খঙবা অসিনি। লৈঙাক্লা থম্লিবা লোকদাউন অসি ঐখোয় পুম্নমক্লা ঈকায় খুম্নসি। থেংনরিবা অৱাবা কয়াদা ক্লব অমদি লৈকায় অসিগী মীওইশিংনা মতেং পাংনবা তাই। ক্লব অসিগী মায়কৈদগী অৱাবা তারবশিংদা চেঙ অমসুং মাস্কনচিংবা য়েন্থোকপনি। কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা ঐখোয় পুম্নমক্লা অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু ক্লব অসিনা থাদোরকপা চেরোলনা মখা তারি।

# কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন-থৌরাং ওইনা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা হিদাক কাপথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস):

থোংজু চিঙ্গোংলৈ মখোঙ দিভলপমেন্ট ক্লব অমদি চাউখৎ খোঙথাং ক্লব খা নাওরেম লৈকায় অনীনা পুন্না খুৎশম্নদুনা হৌজিক মালেমগী মফম কয়াদা পাক শন্না লাইচৎ অমগুম শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ কোরোনাভাইরস অসিদগী খরদা ওইরবসু ঙাকথোক্ন বগী পান্দমদা মায়কৈ অসোমদা ক্লব অনী অসিগী এরিয়াদা লৈরিবা লম্বীশিং অমদি য়ুমথোঙশিংদা চৎতুনা ক্লব অনীনা শীন্দুনা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট সোল্যুসননচিংবা ক্লবকী ভলন্টিয়রশিংনা কাপথোকখ্রে।

লোয়ননা লৈকায় অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা শেল অমদি ভলন্টরি মতেং পাংবীরকপশিংবু ক্লবশিং অসিগী মায়কৈদগী তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, খাঙবোক এ সীগী মনুং চন্না লৈবা লমদিংগী মফম কয়াদা সোসল ৱার্কর মেঞ্জোর মঙাংগী লীচিং মখাদা পাক-শন্না হিদাক কাপথোকখ্রে।

লমদিংগী নহাশিংগা লোয়ননা ঈ ও ৱাই ও কে খাঙবোক্কী ভলন্টিয়র য়াওনা পাক শন্না তমথিরবা লাইচৎ কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা হিদাক কাপথোকখি। সোসল ৱার্কর মেঞ্জোরগী মতেংবু লমদিং খুঙ্গংগী মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোক্নরক্লি।

সোসল এন্দ কলচরেল এসোসিএসন, লমদিংনা শীন্দুনা লোকদাউননা মরম ওইরগা ৱানরবা মীয়ামদা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকপদা অঙম্বা শেলগী মতেং সোসল ৱার্কর মেঞ্জোরনা মতেং পাংখ্রে।

অমরোমদা, য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ৬কী কাউন্সীল্লর এম কে অব্দুল খালিক অমদি ৱার্দ মেম্বর সলাতুর রহমন অমসুং জাহিয়া খানগী লীচিং মখাদা য়াইরিপোক বামোন লৈকায় মোর্টেল ক্লব, য়াইরিপোক্কা খুৎশম্নদুনা ঙসি কোভিদ-১৯ লায়নাদগী ঙাকথোক্লবা ৱার্দ ৬কী লৈকায়-লৈকায়দা ব্লিচিং পাউদর অমদি ফিনাইলনচিংবা কাপথোকখ্রে।

মরকসিদা, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা হৌজিক অৱাবা মায়োক্ন রক্লিবা কয়া অসি য়েংলগা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী অকোয়বা অমদি হোস্পিটালগী মনুংশিংদা জিরিবাম সোরোক অতিংবী হিলঘাট ক্লবকী মেম্বরশিংনা হিদাক কাপথোকখ্রে।

ক্লব অসিগী কনভিনর মুতুম মনিহারনা ফোঙদোকখিবদা, হোস্পিটালদা চৎলুবদা মফম অসিদা মীওই ২০ ক্বারেন্টাইন তৌদুনা লৈহৌই হায়বা খঙখি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা জিরিবামদগী ৪, ১৬না ইম্ফালদগীনি। মখোয়না চান-থক্লবা, ঈরুজনবা বাল্টিন,সাপোননচিংবা লৈতবনা মরম ওইরগা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীৎয়েং চঙহন্নিংই।

অমরোমদা, চম্পানগরদা য়াওল ক্লবকী থৌমীশিংনা খুল অদুগী মী পুনফম ওইরিবা মার্কেট সেদ, ৱেটিং সেদ অমদি দুকানশিং য়াওনা হিদাক কাপথোকখ্রে। হিদাক কাপথোকপগী থৌরম অদুদা য়াওল ক্লব চম্পানগরগী সেক্রেটরি থাংজম ইবুংঙোমচানা ফোঙদোরকপদা, খুল অসিগী ওইনসু লৈকায়-লৈকায়দা মী পুনবদা অথিংবা থম্লি। লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা পায়খৎলকপা চেকশিন থৌরাং খূদিংমক খুল অসিনা ঙাক্লা চৎলি। মীয়াম্না য়ুমগী মথৌ তাবা পোৎলমশিং লৈগদবা ওইরবসু য়ুম অমদগী মীওই অমা খক্তমক থোক্লক্তুনা সোসল দিটেন্সিং ঙাক্লা পোৎ লৈবীয়ু। তমথিরবা লাইচৎ অসিবু শন্দোরকপা থিংনবা মীয়াম পুম্নমক য়ুম-য়ুমদা লেংদনা লৈমিন্নসি হায়নসু মখা তারি।

## ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস):

থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা কাইরেনবীখোক্তা মীয়াম ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরে।

তুরেল অমদি পুখ্রিশিং ঈশিং কংশিল্লকপনা মরম ওইরগা কাইরেনবীখোক অৱাং লৈকায় অমদি খুনৌদা থক্লবা ঈশিং ফংনদ্রে। নোংমগী শীজিন্ননবা ঈশিং ফাওবা লৈতবগী অৱাবা থেংনরি। হৌজিক কোরোনাভাইরসতগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুসু লৈখিবনা মরম ওইরগা অৱাং লৈকায় অমদি খুনৌ এরিয়াদা চান-থক্লবা পোৎলমসু ফংজিল্লক্ত্রে। লমদম অসোমদা হাংবা দুকানশিংসু অয়াম্বনা পোৎচৈ লৈতবনা মরম ওইরগা থোঙ লোন্নখ্রে। ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ চান-থক্লবা পোৎলমগী অৱাবসু চাউনা মায়োক্লরকপা অসিনা খুদোংচাদবা ফীভম অমদা লৈরে। লোকদাউননা মপান থোকপা য়াদবগী মরক অসিদা তঙাইফদবা পোৎলম ফংদবগী অৱাবসু থেংনরি হায়রি।

## কোরোনাভাইরস লাইচৎনা মরম ওইরগা অৱাবা মায়োক্লরিবশিংদা চান-থক্লবা য়েন্থোকপগী থবক চথনরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস):

ক্যামগৈ খাগেম্বা য়ুথ ক্লব, মৈরা পায়বী, পুর্ণিমা মরুপ অমদি লৈকায় অসিগী লৈশাবীশিংনা থাবল চোংগনি হায়না খায়নদুনা থম্বা শেলদগী ক্যামগৈগী মীয়ামদা থাউ, আলু, থুম অসিনচিংবা য়েন্থোক্লবগীদমক খাগেম্বা য়ুথ ক্লবতা খুৎশিন্নদুনা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকখ্রে।

ক্যামগৈ খাগেম্বা য়ুথ ক্লবকী প্রসিদেন্ট সোরাম জয়কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, কোরোনা-ভাইরসনা মালেম পুম্বদা শন্দোরক্তুনা অৱাবা মায়োক্নরি। লায়না অসি থেংননবগীদমক লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থমখিবদগী মীয়াম মপান থোকপা য়াদদুনা নোংমদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং ফংদবগী অৱাবা থেংনরি। অৱাবা কয়াসিগী য়েংলগা ক্যামগৈগী মীয়ামদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকপনি। মণিপুর লৈঙাক্লা তমথিরবা লায়না অসিবু থেংননবগীদমক লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংদা লৈকায় অসিনসু শৌগৎকনি। লায়না অসি মুত্থৎনবা হোৎনবদা মীয়াম পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, কোরোনাভাইরসনা মীয়ামদা চৈথেং পীদনবা হোৎনবদা ইন্দিয়া পুম্বদা লোকদাউন চলাইখিবনা মণিপুরদসু নোংমগী শুরগা চারিবশিং অৱাবা থেংনরে। অৱাবদা শরুক য়ামিন্নবা ওইনা ৱাংখেম মুস্লিম দিভলপমেন্ট এসোসিএসন ক্লবকী লীচিং মখাদা ইমামশিং অমদি লৈকায় মীয়াম্না অঙম-অঙম্বা শেনখায় পুথোক্লদুনা নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। ইমুং ৫৬ লোমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থবক অদুদা চেঙ, চিনি, হৱাই, অচাথাউ অমদি থুমনচিংবা য়েন্থোকখি। ক্লব অসিনা মমাঙদা লৈকায় অসিগী অমদি খুন্নাইগীদমক লৌরকপা থবক থৌরাংশিংদা মীয়াম্না মপুং ফানা থাগৎনখি। চানবা পোৎলম কয়া ফংনদবগী চৈরক অসিদা অসিগুম্বা মতেং কয়াসি পাংবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎনবা ওল সোরা কোভিদ-১৯ কন্ট্রৌল টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস):

মালেমগী লৈবাক কয়াদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমদি মীয়ামদা লৈঙাক্লা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং মপুং ফানা মীয়ামদা ইলহন্নবগী পান্দমদা ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা সোরাদা ওল সোরা কোভিদ-১৯ কন্ট্রোল টিম শেমখ্রে।

টিম অসিগী মেম্বরশিংগী মনুংদা মেদিকেল দিপার্টমেন্ট অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মায়কৈদগী কাঙলোনশিং অমদি লোকদাউন মনুংদা চৎকদবা চৎন-কাঙলোনগী মতাংদা ৱাখল তাহনখ্রে। ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোম অমদি পল্লেল পি ঐচ সীগী এম ও ইন-চার্জ ডা. গোপেশ্বর অমদি মখোয়গী ষ্টাফশিং য়াওনা ওল সোরা কোভিদ-১৯ কন্ট্রোল টিমগী মেম্বরশিং ৱাখল তাহনখিবা অদুদা এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোমনা ৱাফম কয়া থমখি।

লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্ল বগীদমক লৈঙাক্লা লোকদাউন লাউথোক্লিবা অসিদা পুলিস খক্তনা মীয়াম্বু পুং ২৪ কন্ট্রোল তৌবা হায়বসি ওইথোক্লোই। ক্লব অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং য়াওনা পুন্না হোৎনমিন্নগদবনি। কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি। ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী উপ-অধক্ষা নাজিমুদ্দিনসু থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখি।

## চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস):

সোসল দিভলপমেন্ট ক্লব, শামুরৌ মখা লৈকায়না কোনবা মফমশিংগী মীয়ামদা ক্লব অসিনা নুমীৎ নীনি চঙনা হেন্দ সেনিটাইজর য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা ঙসিসু চান-থক্লবা হৱাই, থাউ-থুম অমদি কেন্দলনচিংবা য়ুম ৫৫৩দা মতেং পাংখ্রে হায়না ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ময়াই লম্বী দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট কুমারনা থা অসিগী ৩দা লৈখিদবদা ক্লব অসিগী মেম্বরশিংনা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## লোকদাউনগী কাঙলোন থুগায়বশিং ফাইন থিহনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা চথরিবা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু মনুংদা কাঙলোন থুগায়রগা গাড়ী থৌরকপা মীওইশিং ককচিং পুলিসনা ফাবগা লোয়ননা ফাইন থিহনখ্রে।

মালেমগী মফম কয়াদা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ইন্দিয়া পুম্বদা লোকদাউন লাউথোকখ্রে। কর্ফিয়ুসু চথরি। অসিগুম্বা তাল্লক অসিদা কাঙলোন থুগায়রগা গাড়ী থৌরকপা মীওইশিং ফাদুনা ফাইন থিহনখিবনি। ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ও সীনা লুচিংবা টিম অমনা ককচিং খোংনাং মরি ফাংবদা চথখিবা লোকদাউনগী চৎন-কাঙলোন থুগায়বশিং ফাগৎখিবা অদুদা মীওই ৬০ রোম দিটেন তৌদুনা থম্বতা নত্তনা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা পুথোক্তুনা লুপা ২০০/২০০ টি আর কক্তুনা ফাইন থিহনখি। দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মায়কৈদগী মালেম পুম্বদা থেংনরিবা কোভিদ-১৯ অসিদগী ঙাকথোক্লবা থৌরাংশিংদা কাঙলোন ঙাকহন্নবা হোৎনরি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৬।০৪।২০২০ ইং, নিংথৌকাবা; শজিবুগী ১৩ নি পানবা।

**মেষ :** ঙাওবা-শকপা তাবীবা, য়েক্লবা হন্থখিবা অমদি থবক পাংবা নুমিৎনি। অফা অপুন্নবা কোকচগনি। অদুবু মরুপ মপাংগা অফবা মরী লৈরোই, লল্লোনবা মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ওইদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**বৃষ :** ফত্তবা ৱাখল খনগনু অমদি ফাবা-পুনবা য়াবা থবক্তা থৱায় য়াওগনু-অমাঙবতা থংগনি। শেল-থুম পল্লম্বদি ফংবা য়াই অমদি অচুম্বা লৌশিংনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লান্দবগী মহয় ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন :** মী ফত্তবা নত্রগা মহু চাওবনা তাথি। চিন কনগনু অমদি লম চৎপা পক্লদে। অদুবু লন চাওখৎপা, অনৌবা থৌরম পাংনিংবা অমদি নক্লবনা চানবীবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল মান্নদবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কর্কট :** ফিংবা, শাউবা অমদি নাপলনা মাঙহনগদবা নুমিৎনি। অদুবু ঙাওবা-শকপা হৈবনা খরদি শাফগনি। তুংগী পোরম য়াৎথোকপা ঙল্লদি তুংদা য়াম্না কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** শেল-থুম অমদি পন্দুনা লৈবা মরম খরগী ৱা য়াম্নবা অমদি চোপ্পা য়াবা লৈ। য়েৎরম্বা কোক্কনি, অনৌবা পামগনি অমদি থিজিনবগী নুংঙাইবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - তাবদমক ওইবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কন্যা :** মরুপ মপাংনা লুনা-চান্না তৌবিগনি অমদি ইমুং-মনুংগী ৱা তারগা পাংবা থবকশিং কান্নগনি। ৱাখল তান্নদবা লৈরসু তামিন্নবা য়ারগনি। হুরনবদগীদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপাদি চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** লম্ অয়াম্বদা মায় পাক্কনি। হকচাং নুংঙাইবা, মীয়াম্না চানবীবা অমদি শেল-থুমগী লমদা কান্নবা নুমিৎনি। মরম চারদি অরুবা ৱারেপ লৌবসু য়ারগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**বৃশ্চিক :** নথক থোংবনা শোইদনা চানগনি, হকচাং খিংগনি, পাঙ্গল থৌনা ফুদোকপা য়াবা নুমিৎনি। অরং-অরাক ফংবৈ অমদি লাইবক ফবগী নুংঙাইবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**ধনু :** অয়াম্বা লম্দা অচুম্বনা মাঙওইনৌ অমদি নঙবু লুনা খনবীবা মরুপকী ৱা তাউ-মদুতনা মায় পাকচবা ওইগনি। হুরানবনা ইমুংদা শেন্নবা লৈ, অরোনবা ঙাঙথোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱা ঙাঙদবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর :** ইচং থৌবগী কান্নবা ফংগনি অমদি থাজদবা কান্নবা খরসু ফংগনি। অনীংবা অফবা থবকসু পাংবা ঙমগনি অমদি মীয়াম্না থাগৎপিগনি। নচা ননাই চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কুম্বা :** য়াম্না কান্নবা নুমিৎনি অমদি অনৌবা ৱাখল্লোন্না পাংবা থবক্তা খুমাং য়াম্না চাওশিনবা লৈগনি। অরিবা থবক মাঙগনি। নাপলনা অমদি নক্লবনা মাঙহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীচং ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**মিন :** মরুপ-মপাংনা লুনা শোন্নবীবা অমদি অয়েৎ অপন কোকচবা নুমিৎনি। লাই-গুরুনা থৌজানবী অমদি লেংদবা লন চাওখৎকনি। ইমুং-মনুংগী ৱা তাউ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।